# মণিপুর লৈঙাক্তা হংনীংলকপা ৱাহং খরা

ঐহাক ঙসি 'মণিপুর লৈঙাক' তা ৱাহং খরা হংনীংলক্লে। অদুবু হংলমদাইসিদা খল্লকই - হংদৌরিবসি কনাদনো? লৈঙাক/গভর্ণমেন্ট/ সরকার হায়রিবসি কনাবুনো? মীখল পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা চৎখ্রগা মশীং য়াম্না কাবা পার্টি অমগী মীহুৎশিংনা শেমখ্রিবা গভর্ণমেন্ট অদুগী মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং অদুদরা? নৎত্রগা লৈঙাক্তুগী মকোক ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর অদুদরা? নৎত্রগনা গভর্ণমেন্ট'কী থৌ পুরিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবা ওফিসরশিং অদুদরা? ঐহাক তশেংনা চমম্লে। কনাদা হংলগা, হংনীংলিবা ৱাহংশিং অসিগী অশেঙবা পাউখুম ফংগদগে? গভর্ণমেন্ট অমা হিংহল্লিবা, অফবা নৎত্রগা ফত্তবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইহল্লিবদি দিপার্টমেন্টশিং অসিদা থবক শুরিবা শিন্মীশিং অমদি মখোয়বু লমজিংলিবা ওফিসরশিং অদুনি। গভর্ণমেন্ট অমগী অশেংবা মশক মখোয়না তাকফম থোকপনি। অদুবু, ঐখোয়গী লমদমসিদদি লৈঙাক্কী অশেংবা শক্তি'দু চহী মঙা খুদিংগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা 'ষ্টেট এসেমব্লি' দা নৎত্রগা 'নেসনল পার্লিয়ামেন্ট'তা ফম্লরিবা মখোয় খরদুনা শুপ্পায় পায়বগুম উই। মখোয়নসু খনজৈ - গভর্ণমেন্ট হায়বদু মখোয়নি। মখোয়গী অনীংবা/অপাম্বদু থবক ওইনা পাঙথোকপা চহী খরগী মমাঙ, সোসল এক্টিভিষ্ট 'অন্না হজারে' না লুচিংদুনা ন্যু দেল্লী'দা হৌখিবা অকনবা চরা হেনবগী ঈহৌ (অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল কৌবা পোলিটিকেল লিদর অদুগী পোলিটিকেল জর্নিগী হৌফম ওইখিবা) অদুগী হাক্তক্তা মতম অমগী সুপর-কোপ-পোলিটিসিয়ন অদুনা দেল্লী-পুলিস'না ৱাকৎ-মীফম অদু থুগায়নবা, য়ৈখাই-থিনগায় থোকহন্নবা হোৎনরকপদা হায়খিবা ৱাহৈশিংদু ঙসি ফাওবা নীংশিংলি... 'দেল্লী পুলিসকী ইচিন ইনাওশিং! লৈবাকসিগী লো'না নখোয়দা পীবা শক্তি অদু নিয়ম চুম্না শীজিন্নৌ ... নখোয়গী পোলিটিকল মাষ্টরশিংনা পীবা য়াথংদু নমীৎ উইশিল্লগা ইনবদু তৌগনু'...। ৱাহৈশিংদুনা মতমদুগী পুলিস অমদি পোলিটিসিয়ন অনীমক ৱাখল তাহনখি। পোলিটিসিয়নশিংগী মথৌ - লৈঙাক থৌশিল য়াৎপনি, মথৌ মশক খঙদবা থৌমীশিংবু মথৌ নীংথিনা তৌহনবনি, লৈবাকসিবু চাওখৎ লমজেল'দা মাঙলোমদা লমজিংনবা পোলিসি-প্রোগ্রাম শেম্বনি। অকন-অরিং শক্তুনা ওফিসরশিংবু ট্রান্সফর তৌবা/চৈরাক পীবা পোলিটিসিয়নগী মথৌ নত্তে।

ঐখোয়গী লৈবাকসিদদি লো - চে'দা ইদুনা লৈবখক্তনি, লৈতবগা চপ মান্নে। পুলিস অমদি লান্মী - অচৌ অশাং ঙাক্লবনি, মীচম মীয়াম ওৎনবনি। অদুননি ঐনা চমম্নরিবা। ঐহাক্কুম্বা, নহাক্কুম্বা, ঙাকপী-শেনবীনবা লৈতবা মীচম অমগী ৱাকৎফমদি কদায়দনো? কনাদনো? নিংথৌগী মনাদি ফক্লাংদা থেৎলি হায়নরম্বদু, মখোয়গী অরোন-অথুপ মীচম-প্রজা কনানা ঙাঙনবগে তানবখক্তা ওইরি'দ্রা? মীয়ামগী অৱা-অনা, পেন্দবা-ৱাকৎ তাবীনবা নিংথৌগী নাকোং পান্দবরা? হায়নীংবা কয়া লৈর'সু, পেন্দব'না থল্ল'সু অচুম্বা ঙাঙবই চৈরাক কিদুনা মচিন-মরৈ ফোৎচিনখ্রবা, অকিবনা লাকহৎলবা, হৌদোং তুরেল কূমদবা, অয়ম্বা ঙাক্তা ঙাইরবা লৈবাকসিগী মীয়ামনি। ওইজ-ওইথক থিদবা, অহেনবা মরল মিহৌদবা, লায়রবা লৌমী-শিন্মীগীদমক লৈজবা পূম্বা কখোকখিবা জন-নেতা-ইরাবত, নীংশিংনখিবদু ঙরাংতনি। মথং চহীগী সেপ্টেম্বর থা লাক্ত্রি'ফাও নীংশিংনরোই কনা'মত্তনা। খল্লি ঐসু - মহাক্কুম্বা অমত্তংদি থোরকপা ফৈ মীরোলসিদা, ইশামক্তি ওইবা ঙম্লুদে।

অদুনা ঙসি, মণিপুর লৈঙাক্তা (বি জে পি'না লৈঙাকপসিখক্তদা অপান্নবা নত্তবা, ওইনীংবা পার্টি ওইনসু, হৌখিবা/লৈরিবা/লাক্কদবা পূম্নমক্তু) ৱাহং খরা হংজগে খল্লক্লিবসি, মণিপুর ইমাগী পাঙদবা মপারি, মীকিথী অমগী থম্মোয়দগীনি। অকনবা/অথৌবা মপারি পোকখিদবা কুইরে ইমা মণিপুর।

অহানবা ৱাহং। ঐখোয়গী লৈবাক, সনা-লৈবাক হায়সিরা - কংলৈপাক, মণিপুরবু কৌগদ্রা ... লমদমসিদা, লৈবাকসিগী য়াইফনবা খনবা, মীচম-মীয়াম্বু চাওখৎপগী লমজেলদা য়াওহন্নবা হোৎনবা লৈঙাক (গভর্ণমেন্ট/সরকার) অমা তশেংনা লৈবরা? লৈঙাকসিদা য়াওরিবা লৈঙাকপশিং, তৌফম থোকপা মথৌ তৌরিবরা?

অনীশুবা ৱাহং । ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং - দেল্লীরোমগী লুচিংবশিংদুগী য়াকা য়েংদুনা, মরৈবাক্কীদমক মনীং-তম্না, ইচং-থৌবা ৱারেপ অমত্তং লৌবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো?

অহুমশুবা ৱাহং । ইন্দিয়াগী 'নেসন-ষ্টেট' অমা ওইরিবা মণিপুর-মরমদমবু হকচিন্না নুংশিজবা কনাগুম্বা অমবু ভারত জাতিগী য়েক্লবা অমা ওইনা লৌবীরিবা করিগীনো? মীতৈ নেসনেলিজমগী ৱাখল খনববু এন্টি-নেসনল অমনি হায়রিবসি করিগীনো? ইন্দিয়া হায়বসি নেসন কয়ানা শেম্বা লৈবাক অমনি হায়বসি ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিংনা হায়দোকচবা করিগী ঙমদ্রিবনো?

মরিশুবা ৱাহং । শেঞ্জা-থুমজা (করপসন) তৌবা হায়বসি পোলিটিসিয়ন অমা ওইবগী তৌফদ্রবা মথৌ অমনি খল্লিবসি করিগীনো? সরকার অমগী তৌফম থোকপা 'রুটিন ৱার্ক' তু নত্তবা, অফবা লৈঙাক অমা মণিপুরসিদসু লৈখরে হায়বগী খুদম চাংদম লৈবরা? লৈরবদি খরদং তাকপীয়ু।

মঙাশুবা ৱাহং । ইম্ফাল অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা লম্বী - থোং, ইরম-খোংলম অমদি অতৈ শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং - কুন্মাথোইশুবা চহী-চাগী দিকেদ অনী হৌখ্রবা মতুং ষ্টেট-কেপিটেল অমদা ওইফম থোকপা শক্তমদুনি খনবীবরা? লমদমসিগী 'গ্রোথ-রেট' কয়ানো?

তরুকশুবা ৱাহং । সিক্সটি'জ অমসুং সেভেন্টি'জগী মতমদা মণিপুরগী মমিং চৎলবা স্কুল ওইরম্বা খরা মূথুৎলগা, সোপ্পিং কমপ্লেক্স/ৱাটর-রিজর্ভর শেমগৎলকপা, চাওখৎলকপগী খুদমলা? স্কুল'বুনা স্কুল ওইনা শেমগৎপগী থৌশিল পায়খৎপা করি কায়বগে? এদ্যুকেসনেল সেক্টর অসি মপূম-ফানা-প্রাইভেটাইজ তৌনবগী ওবজেক্টিব - করম্বা চহীদা ফংনবগী পান্দমনো? লাৱর প্রাইমারি থাক্তগী মিদল-স্কুলগী থাক ফাওবদি মায় পাক্লে হায়বা য়াবরা?

তরেৎশুবা ৱাহং । পাওনা কৈথেল-থাঙ্গাল কৈথেল - বি টি রোদ - এম জি এভেন্যু কমপ্লেক্স'কী পার্কিং প্রোব্লেম - কৈদৌঙৈ সোল্ভ তৌগনি? লম্বীগী ওইথংবা নাকন্দা খামহনবা - তুং কোইবা থৌশিল নত্তে। মল্টি-লেভেল পার্কিং স্পেস - ইম্ফালদা কৈদৌঙৈ উগনি?

নিপানশুবা ৱাহং । প্রোহিবিসন লো লৌথোকপা, লিগেলাইজেসন ওফ লিকর কঞ্জ্যুম্পসন, সেল্লিং এন্দ দিষ্টিল্লেসন ... ৱাথোকসিগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং - মমাঙগী চহী কয়াদগী লিশাং শিৎনা চথুরকপা লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলদগীনি - য়াবীনীংবরা? থৌশিলদুগী খূৎশেমনি তুফক তুফাই চল্লবা, লমদমসিগী অনৌবা মীরোল।

হংজরিবা ৱাহংশিং - খুন্বীনবা লৈতবা, তাবীনবা লৈতবা ঙাক্তনি, পাউখুম ফংলোই খঙনা হংনীংলুরিবা। অসিনসু লোইবা নত্তে, থম্মোয় থন্না লৈরমগনি পাবীরিবশিংগীসু। ঐখোয় তূমিন লৈগুমসি। পাউখুম ফংদনা অহাঙবদা তিনখিসনু। ৱাহং হংবা লেপকুমসি। ঈশ্বরদা হংবা ৱাহংবু কৈদৌঙৈ পাউখুম ফংখ্র'গে?

*--ইন্দ্রকুমার*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২

১) **''মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবনো?

২) **''অমংবা নোংলক্কী নোংথাং''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **''নির্মলা''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **''বরাক তুরেল তোর্ব্বান্দা''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমগীনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **''বীর টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ''** (১৯৭৩) কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনিং লৈকায় - (১,২,৪,৫)

২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)

***৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

৪) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,৫)

৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪,৫)

৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫১গী ৱিন্নর*

***তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫১গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১গী পাউখুম

১) **''লমজিংবা''** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা- শ্রীফমদোম লোখোন সিংহ; লাইরিক্কী মখল-নোবেল**

২) **''তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী অইবা - শ্রীমতি বিনা পেইন্টেল; মণিপুরীদা হন্দোকপা - মাইবম ইবোচৌবা সিংহ**

৩) **''হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো''** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - সৌগাইজম ব্রজেশ্বর (কছার, অসামদগী শক্লাইরবা অইবনি); লাইরিক্কী মখল - শৈরেং, অহানবা ফোঙবা, ২০০৩।**

৪) **''য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? **:- লৌথোরকফম লাইরিক - য়িমপাললোল (লা:৩); শিন্দোকপা - ৱাংখেমচা তোম্বা সিংহ; অহানবা ফোঙবা - ৬/২/৯৩ ইং।**

৫) **''নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ; লাইরিক্কী মখল - মশানা ইজবা পুন্সি ৱারী (ওটোবাইওগ্রাফি); অহানবা ফোঙবা ২০০৯।**

## এম পি ফোজেগী আপীল সুপ্রিম কোর্টনা...

*লামায় ১গী মখা...* সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা অদুগা জষ্টিস অজৈ রাসটোগি অমসুং জষ্টিস এস রবিন্দ্র ভাট য়াওবা বেঞ্চ অমনা লৌখৎখি। কোর্টনা আপীল অদু লৌখৎলকপদা আপ্পিলিএন্ট অমসুং রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেলশিং য়াওনা এদভোকেট পূম্নমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা এম পি ফোজেগী আপীল অদুগী হিয়ারিং এপেক্স কোর্ট অসিনা মথং চহী ২০২৩গী ফেব্রুৱারীগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্লবগীদমক লিষ্ট তৌনবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা কোর্টকী মায়কৈদগী আপীল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা মীওইশিংনা আপীল অসিগা মরী লৈনবা মখোয়গী মায়কৈদগী এদিসনেল দোক্যুমেন্টশিং ফাইল তৌরকপা য়াবগী অয়াবসু পীখি।

লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা মমাঙ থাগী ২৩দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা এম পি ফোজেবু ২ - আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ওইরে হায়দুনা লাউথোকখিবা রিজল্ট অদু চৎনদ্রে হায়খিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌরকখিবা অদুগা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখল অদুদা লম্বা তৌনখিবা পিটিস্নর হৌমিল সৌখোপাও মাতে এলিয়জ বেঞ্জামিনবুনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ওইরে হায়দুনা লাউথোকখিবা ওর্দর অদুদি ফাইল তৌরক্লিবা আপীল অসিগী মতুংইন্না অদুমক হান্নগী ফীভমদা লৈগনি হায়খি।

অদুম ওইনমক এম পি ফোজেনা লোক সভাগী মেম্বর অমা ওইবগী ফংফম থোকপা প্রিভিলেজ/এলাওৱেন্স অমসুং বেনিফিটশিং ফংবদি য়াগনি। লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিং পূম্নমক্তা শরুক য়াবসু য়াগনি হায়খি।

মসিগী মথক্তা পার্লিয়ামেন্টকী কম্মিটিশিংদসু শরুক য়াবা য়াগনি হায়খি। অদুম ওইনমক করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনরক্কদবা লৈরবদি এম পি ফোজেনা মহাক এম পি অমা ওইনা ভোট অদুদা শরুক য়াবদি য়ারোই হায়বগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখি।

আপীল্লেন্ট ফোজেদা ভোটিং রাইট পীদবগী থবক অসি হাওসকী ফ্লোরদা নৎত্রগা হাওসকী কম্মিটি অমদা হেক্তমক চৎনগনি হায়নসু খঙহনখি।

## ব্রাউন সুগর/ হিরোইন...

*লামায় ১গী মখা...*এফ্যেরস ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ওপরেসন চথুখিবনি। ওপরেসন অদুদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লাংখোং খুলদগী লুখোঙম হাওকিপ (৪০) অপোকপা জাংলেট হাওকিপ কৌবা মীওই অমদগী ব্রাউন সুগরশিং অসি ফাগৎলকখিবনি।

মহাক্না টু হ্বিলর (এসেস) অঙাংবা অমদা ব্রাউন সুগরশিং অসি হাপ্লগা পুরকপদা হকথেংননা ফাগৎখিবনি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমসু ফাগৎখি হায়রি।

অমরোমদা, নুমিৎয়ুংবা পুঙ্খায় চৎলকপদনা ককচীং কম্মান্দোগী টিম অমনা পল্লেলগী লাইমনাই চীংজিনদা অচৎ অওকশিং ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথুবদা নহা অমনা সাপোন কেপ ৫০দা হাপ্লগা পুরকখিবা নম্বর ফোর গ্রাম ৬৭৬ ফারে হায়রি।

দ্রগশিং অসি মোরেগী বিদনা পার্ট ফোরগী হোম গার্দ ভেঙদগী সৈখোলেট হাওকিপ (১৯) অপোকপা ঙমখোলাল হাওকিপ কৌবা নহা অমদগী ফাগৎপনি হায়রি।

দ্রগশিং অসি মহাক্না রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা অঙৌবা মচুগী মারুটি জীপসি অমদা লোৎলগা পুরকখিবনি। মহাক দ্রগশিং অসিগা কোন্নমা ককচীং পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## লৈবাক অসিগী লৌশিংগী পুক্নে...

*লামায় ১গী মখা...* অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসি অসিনা লৈবাক অসিবু হকথেংননা চাওখৎপা ফীভমদা শেমদোক শাদোকপদা মতেং পাংগনি অমসুং মহৈরোয়শিংদা অৱাংবা থাক্কী এদ্যুকেসন পীবা ঙমগনি। থবকশিং অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা মতমদতা লৈবাক অসিবু মালেমগী মীয়াম্না লৌশিংগী সুপর পাৱর ওইরবা লৈবাক অমনি হায়দুনা শকখঙগনি হায়খি।

অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসি অসিনা লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংবু লৈবাক অসিগী মীওইনি হায়না চাওথোকচবা ঙম্বগী থৌনা হাপকনি। অদুগা লাইরিক তম্বগী মপূং ওইবা শরুক ওইরিবা লাইশু খঙহনবদসু মতেং পাংগনি হায়খি।

পোলিসি অসিদা মরু ওইবা যূম্বী মরি য়াওরি। যূম্বীশিং অদুগী মনুংদা ক্বালিটি হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি অদুগা একাউন্টেবিলিটি, এফোর্দেবিলিটি অমসুং এসেসিবিলিটি হায়বসিসু মরু ওইবা যূম্বীশিংনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা ধনমঞ্জুরি যুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন রাজমোহোন, ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজগী প্রিন্সিপাল ঐচ মনোরঞ্জন,ইন্দিয়ন সাইন্স কোংগ্রেস মণিপুর চেপ্টরগী কনভিনর প্রোফেসর অরুনকুমার অমসুং কোলেজ অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল এস শ্যামকিরনসু ময়ায়গী ফম্ফমদা ফমদুনা শরুক য়াখি।

## হিংননবা থবক শুবদবু ময়াংগী থবক, মৈতৈগী...


*লামায় ১গী মখা...* থকপগী কাইথোকখ্রগা যূমদা থা অমদা লুপা লিশীং ২০ থাবা ঙম্লে হায়খি।

মহাক্কী লৈফমনা কৈথেল ফম্বী ইমা ইবেলশিংগী পোৎ চৈশিং শংবা ওইনা অহিং লেকই। অহানবদদি য়োন্ননবা পোৎ চৈশিং থাংদোক থাংজিন তৌবসু য়াওরকখি। অদুবু হৌজিক্তি অতোপ্পা মমান্নবা অমদা হায়রিবা থবক অদু শিন্নথোকখ্রে অদুগা ইমা ইবেলশিংগী পোৎ চৈ শংবগী মমল লুপা ২০/৩০ লৌনরম্বনি অদুবু মহাক্কী ওইনদি হৌজিক্তি লৌদ্রে হায়খি।

ক্লাস টেন তম্বা হৌরক্লগা মখা তানা তম্বা ঙমখিদবদগী তোকখি। যূমদা লৈদুনা থবক শুবা নোম্বা খরা চৎলম্মী অদুবু মদুনা তুং কোয়বা য়ারক্তবদগী কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগী পোৎ চৈ শংবা অমসুং থাংদোক থাংজিন তৌবা ওইনা হৌরক্লগা ঙসিদি পানি পুরি শেমদুনা য়োনবা য়াওনা মতম মতমগী ওইবা পোৎলমশিং য়োন্দুনা হিংবা ঙম্লকপনি। অহানবা থোরকপদা য়াম্না ইকায়রম্মী। মায় ফাওবা খুমজিল্লগা য়োল্লম্মী অদুবু হৌজিক্তি ইকায়দ্রে। খঙন-চান্নবা লাকপদা ফাওবা পোৎ য়োনশিনবা হৈরে হায়রকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী মীয়াম্না থবক ফংদে অমসুং শেল তিংদ্রগদি থবক তৌবা য়াদে হায়দুনা খন্দোক্তুনা লৈবা চুমলোই। লৈঙাক্কী থবক খক্তনা থবক নত্তে। থম্মোয় শেংনা খাংবা কনবগা লোয়ননা তৌগে হায়বা অমা য়াওনা তৌরকপা মতমদা হিংলোইদবগী মরম লৈতে। মণিপুরদা লাকপা নন লোকলশিংনা শেল তাল্লগা তুংশিনবা অমসুং ময়ূমদা থাবগী হৈনবী লৈরিবা অসিগুম্না ঐখোয়সু তৌবা য়াই। ঐখোয়গী মরক্তগী হীরম খুদিংমক্তা চোংথোরক্তুনা থবক তৌরক্লগদি মপান্দগী লাকপা নন লোকলশিংগী মশীংসু শোয়দনা হন্থরক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা অকে অমৌগী পোৎ য়োনবনা শিনফম ওইরক্লবা লাইশ্রম মোচানা হায়, অহানবদা কৈথেলগী পোৎ চৈশিং শংবা ওইনা কেদোগী মখাদা লৈদুনা থোরকপনি। হৌজিক্তি চহী ৩ রোম ফাজিল্লক্লে। নোংমদা লুপা ৫০০ রোম ফংই। অদুবু কুম্মৈ ফিয়োং থোরকপা মতমদদি খরসু হেন্না ফংই। পোৎ শুংশিৎ শিৎতবা নুমিৎসু য়াওই। অদুগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা মী য়াম্না চিল্লগসু য়োনবা য়াদে হায়দুনা তাল্লকপা য়াওই। পুলিসকী মায়কৈদগীসু য়ারিবমখৈদি য়েংথোক য়েংশিন তৌবী। অদুবু কৈথেল পোৎলক্তা মী চিল্লকপা নৎত্রগা ভি আই পিশিং খোঙনা লাকপা য়াওরগদি য়োনফম লৈতবা য়াওই। মহাক নম্বোলগী সঞ্জেনবমদগীনি। মশাগী থবক ফংদনা লৈরম্বদু হৌজিক্তি নুংঙাইবা ফাওরক্লে। ঐখোয় মৈতৈগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা শিনফম অসিদা চঙলক্ত্রিঙৈদা মপান্দগী লাকপা নন লোকলশিংনা পোৎ চৈগী মমল য়োন্নিংবা মমলদা য়োল্লম্বা অদুসু ঐখোয় য়াওনা য়োনখৎলকপদগী তৌবা ঙমদ্রে। মরম অসিনা শিনফম অমা ওইনা চপ যুংনা তৌগে খল্লগদি মায় পাক্তবা লৈতে হায়রকখি।



HL-B/7838/20/9-19/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।